সনালৈবাক

## এডিটোরিয়েল

# রিজনেল ওফিস হাংলকপদা

মণিপুর মীয়ামগী চানবা চপ চাবা চেংগী পোখোক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লবুকশিংনা পুথোকপা ঙমদে হায়দুনা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা ঙাংনদুনা লাক্লি অমসুং মসিগীদমক তঙাইফদবা চেংগী চাং মপাল লমদগী পুশিল্লক্তুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা কয়া মেনশিন্নবা হোৎনরক্লি। হৌখিবা চহি ২০–৩০ অসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সি আই)না লমদমসিগী মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙগদবা চেং অদু পীনবগীদমক চপ চাবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা লাকখি অমসুং মসিগী মনুংদা মীয়ান্না লৌবীদবদগী অহেনবা চেংগী চাং কয়া অমা পৎ–পুমদুনা মাংখিবগী থোদোক কয়া অমসু লৈখ্রে। মসিনা তাকপদি মীয়ান্না তঙাইফদনা মতম–মতমগী ওইনা লৌগদবা অমসুং মদুবু য়েঙ্হোল্লবা লৈরিবা সরকারগী দিপার্টমেন্টনা চপ চানা গোদাউনদগী চিংথোকপা ঙমদবা অমসুং মীয়ামদা চপ চানা য়েঙ্হোকপা ঙম্নবা থৌরাং পায়খৎপা ঙমদবদগী হায়রিবা মীয়ান্না ফংগদবা চেং চাকশিং অদু মাংহনখিবনি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। হৌজিক্না অমুক এফ সি আইনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা চেং চিংনবা কন্ট্রেক্টরশিং অদুগী মথক্তা কোর্পোরেসন অসিনা চপ চাবা এক্সন লৌখত্তে হায়বা পাউ অমমুক লাক্লি। মসিদা মণিপুর অমসুং মসিগা য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমশিং অদু চপ চানা খঙহনফম থোকপা ওথোরিটিশিংদা খঙহন্দে হায়বগী থৌওং অমসু লৈতবা নত্তে। হৌজিক পীরিবা পাউদা চাং নাইনা এফ সি আইগী গোদাউন্দা চেং চিংলক্তবা অসি থা ৩ লোম ফারে হায়রি। হায়রিবা চেং চিংলক্ত্রিবা থাশিং অসিগী মনুংদা কদাই ফাওবা য়ৌনা সরকার অসিনা এক্সন লৌখৎলবগে অমসুং চেং চিংলক্তবগী মরম অদু মরী লৈনবা সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টকী ওথোরিটিদা অমদি মরী লৈনবা কোর্পোরেসনগী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবগে হায়বসি সরকার অসিগী মরী লৈনবা মিনিষ্টরনচিংবদা হংবা তাবনি। মসিগী মরমদি করিসু নত্তবদা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমশিং অদু পুথোক্তুনা খঙহনবগী মহুত্তা তুমিন্না খঙজিন্নদনা লৈথোক্লবা মতুং শোয়খিবা পূন্নমক্কী দাইত্ব অদু এফ সি আইদা ইনশিনবগী মমী অমা তাহনবসি অফবা নত্তে। হৌজিক্তি কোর্পোরেসন অসিগী রিজনেল ওফিস অমা হাংলগদবনা হায়রিবা ওফিস অসিনা কন্ট্রোল তৌরবা মতুং অশোয়বা অমদি অরানবা কয়া অদু শোয়দনা মীয়ান্না নুমিৎ খুদিংগী ওইনা পাউ ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা অমসু লৈরগনি। মসিনা মরম ওইরগা ওফিসিয়েলশিং অমদি সরকারগী মরী লৈনবা মিনিষ্টরনচিংবনা মতম–মতমগী ওইনা পংহায়দা হায়জিন্দুনা মীয়ামবু পঙথহন্নবা হোৎনরিবা কয়া য়ারক্লরোই। য়ান্না ট্রান্সপরেন ওইবা মওংদা মীয়ামগীদমক চেং চিংথোক চিংশিন্দা অপনা পীরিবশিং অসি পুথোক্তুনা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্ট অমসুং মসিগা য়ুমথংননা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী সরকারশিংদা শোয়দনা ঈ–পাউ ফাওনবগী অমসুং অপনবা পীরিবশিং অদুগী পাউ লেপ্তুনা পীবা ঙম্লগনি হায়না খল্লি। ইতৎতত্তনা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পাংথোকপা ঙমদবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা অয়েৎ অপনশিংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এক্সন লৌদবা কয়া অদুনা ঙসি ষ্টেটসিগী এফ সি আই কন্ট্রেক্টরশিংনা মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অসি পুশিল্লকপা ঙমদনা লৈবনি হায়বসি সরকার অসিনা খঙফম থোকই। মসিগী মতাংদা য়ুমথংনবা ষ্টেটতা লৈরিবা নেসনেল হায়ৱেগী শরুক্তা লালহৌলুপ কয়ানা সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নরি হায়বগী খুদোং চাবা কয়া অদু লৌনা–লৌনা মথোং হুক্তবা থৌওং কয়া চত্থদুনা ৱারী শান্নরিবা লুপশিংগী কাদরশিংনা মখোয়গী মরন্নাই শেল তান্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী ট্রান্সপোর্টরশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা শেলগী দিমান্দ কয়া পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা মওংদা তৌরকপদগী কন্ট্রেক্টরশিংনা চেং চিংবা লেপখিব্রা হায়বসি এফ সি আই অমদি মণিপুর সরকারগী হোম দিপার্টমেন্টকী থৌ পুরিবশিংনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনফম থোকই। মদু তৌদবনা মরম ওইরগা ঙসিসু প্রোব্লেম কয়া অসি থোক্লকপনি। প্রোব্লেমশিং অসিগী ফলনা লাইরবা লমদমসিগী এ এ ৱাই অমদি বি পি এলগী বেনিফিসরিশিংদা চপ চাবা ভারত সরকারনা লেপ্পা মমল অমসুং পীফম থোকপা চেংগী চাং অদু শুনা ফংহনবা ঙমদবনি হায়বসি খরা খন্থবা ফরে। মসিদি এফ সি আই খক্তদা ইনশিনবা য়াবা নৎত্রগা থংজিনবা য়াবা মরাল নত্তে। এফ সি আই না তৌরিবা থবক অদুদা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা মতেং পাংশিন্দুনা মখোয়গী থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অদু সোল্ভ তৌনবা হোৎনবগী মখা য়ান্না পোনগনি।

ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা ইন্টরেষ্ট লৌদবদগী লমদমসিগী শম্নরিবা নেসনেল হায়ৱেশিং মতম চানা শেমজিনবা ঙমদবা অমসুং হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা মথৌ তৌরিবা গাড়ীগী মীওইশিং চপ চানা ঙাক শেন্নবগীদমক হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স অমা থম্বা ঙমদবদগী থোক্লকপা থৌওংনি। মসিদি এফ সি আইনা মতোমতনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা থবক অমদি নত্তে। সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা কোর্পোরেসন অমনা লৌরকপা থৌদাং অসি ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা মাংজৌননা খঙদুনা মসিগীদমক কোর্পোরেসন অসিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা সরকার অসিনা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎফম থোকই। মদু লৌখত্তবদগী থোক্লকপা থৌদোকশিং অদুগী দাইত্ব অদুদি কোর্পোরেসন অদুদা থংদোকপা চুম্লোই। মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগীসু কোর্পোরেসন অসিদা মতেং পীদুনা মখোয়না পায়খৎলিবা থবকশিংদা অপনবা পীরকশিং অদু মখা তানা লৈহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌফম থোকই। মসিগী মতাংদদি মমাঙথক্তগী মথং মথং পাল্লক্লিবা মণিপুর সরকারগী থৌ পুবা মীহুৎশিং অমদি সরকার অসিগী মখাদা থবক তৌরিবা পাব্লিক সার্ভেন্টশিং অসিনা মশাগী মথৌ খঙদবগী মমি অমা অদুমক তাদুনা লাকখ্রবনি। মখোয়না শোয়খিবা কয়া অদুনা ঙসিগী কোর্পোরেসন অসিনা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়া অসি লাকহনবনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই। মণিপুরগী ওইনা মীয়ামগী সার্ভিসতা লৈরিবা গাড়ীশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্বা অমসুং চখোক–চৎশিনদা টেক্স কয়া লৌরিবা অসি নাগালেন্দ ষ্টেটকী মনুংদা লৈবা ভারত সরকারগা ৱারি শান্নরিবা লালহৌলুপ অমগী কাদরশিংনা চত্থবা থৌওংনি হায়বসি য়ান্না ফোংনা খঙনরবনি। মসিদা সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টতা ৱাফম অসি মণিপুর সরকারনা খঙহনবা ঙমদবসিমক সরকার অসিগী অশোয়বনি হায়না লৌদবা য়ারোই। হৌজিক্তি রিজনেল ওফিস অমা হাংলক্কদৌরবনিনা সরকার অসিনা মমাঙদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স অমা থম্বীনবা থমখিবা ৱাফম অদু চপ চানা থবক্তা ওহোকহন্নবা হোৎনবা তাই। নৎত্রগনা হায়রিবা লম্বী অসি চপ চানা ঙাক শেনবা ঙমগনি হায়না শেমগৎখিবা ইন্দিয়ান রিজার্ব বটালিয়ানগী মীওইশিংদা শীন্নদুনা হায়ৱেগী ঙাক–শেনবগী থবক পুম্বা শীন্নবা চুমগনি। হায়রিবা নেসনেল হায়ৱে ৩৯ অমসুং ইম্ফাল জিরি লম্বীদা করিগুম্বা আই আর বি পার্সোনেলশিংনা ঙাক শেনহনবা তারগদি অপনবা পীরিবা লুপশিংগী কাদরশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অপনবা পীরকপা ঙম্লোই হায়বসি ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা খঙলিবনি। মসিমক্তদা করিগীদমক লৈরিবা শেমগংলবা আই আর বি বটালিয়নশিংদা থবক অসি শীন্নদ্রিবনো হায়বগী ৱাহং অমা লৌখ্রিবনি। মদু খঙনা সরকার অসিনা মশাগী তৌফম থোকপা থবক পুন্না পাংথোক্লবা রিজনেল ওফিস অসি মতি লৈবা ওফিস অমা ওইহনবা চুমগনি।

# ঙাংগনবগী মচা

**– মমি লুৱাং –**

অঙকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা মঙ হায়বসিসু খেন্নবা থিদনা মী খুদিংমক্তা থোকপা মচৎ অমনি। থাজরুদবা কয়াসু ওইথোরকপা অদুগা অমুকসু ওইথোকখিদবা লোয়ননা মঙফাওনখিদ্রবা অমা হায়না শৈথানরবনি। তৌবদা ঙমদবা কয়া লায়না ঙম্বা অদুগুম্বা কয়াবু মঙ ফাওনখ্রবা লাই পোক্লি। লাইগুম্বনি হায়নরিবনি, লাইমক্লি খন্নরিবনি, লাইগুম্না ইকায় খুম্নরিবনি। ভারতবর্ষ অসি শেঞ্জাও পায়বগী লৈঙাক্লা মচীন তুমখৎলকপা হাইন–হুম্না পাল্লকপগী অঙম–অঙম, মাগী–মাগী কাদা তৌনিংবতা তৌবা সেলফ ষ্টাইলদা হিংনরকপগী চক অমা ওইবগী নোংম–নোংমগী ময়েক শেংবা হেনগৎলক্লি। মঙগুম্বা থৌদোকশিংগী মনুংদা মঙগুম্বা ৱানিদা হায়গদবা অমা হায়বা তারবদা, হৈসনু–শিংসনু মীরক তিনবা ঙম্নবা মীথোই মীহেন্নবা খর ঙাং–শক্লুবগী মরমদগী। মচলনুপীদু থৌরী য়ান্দুনা শিখিবগী পাউ হেক তাবগা মবুংদু থৌরী য়ান্দুনা অদুম্মক লৈখিদ্রে হায়না পাউচেগী লমায়দগী থেংনরে।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি চহি মতাংসি ১৩ দগী ১৯ ফাওবদা লৈবা নুপামচা, নুপীমচা মরুওইনা ইনখৎলকপা পাংখং মচা, লৈশাবীচা ওইবশিংদনা থোক্কনবা ওইনা তৌই হায়না অখঙ–অহৈশিংনা হায়নৈ। অসিগুম্বা মখলগী মীশি অসি ৱাখলগী লায়না অমনি হায়না লৌনবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী পাউদমদা চহিদা মীওই লাখ তরাদগী হেন্না শি হায়রি। মসিগী মীশি অসি চহি খায়দে, লাইরবা ইনাক খুনবা তোল্ল–তারবা হায়বা লৈতে। অসিগুম্বা মীশি অসি মী খঙহন্দনবা অমদি ওফিসিয়েল ওইদবা কয়ামসুনি। অনৌবা কুনমাথোইশুবা চহিচাদা মেদিকেল সাইন্সনা থিজিন–হুমজিন তৌদুনা লায়েং পথাপ কয়া পুথোকতুনা ট্রিটমেন্ট কয়া পিদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কন্নবা হোৎনরি। শাথিনা হকচিনবা ৱাখল অসিসু অফবরোমদা শীজিন্নবা ঙম্লবদি তাইবংপান্দা মীওইবা খুন্নাইগী অতাংবা লন ওইরিবনি।

থেংনবা ৱারী অমা থমজগে, থায়না মমাঙঙৈদা নিংথৌমচা অমগা, মন্ত্রিমচা অমগা মশা–মশাগী মতিক চাবা খুৎশু–খুৎলায় পায়রগা শগোল অমমম তোংদুনা লমকোয়বা চৎমিন্নরমই। লৈবাক খরা লান্দুনা চৎলবা তুংদা। ঙাইহাক পোখাবা ওইনা পুখ্রি অমগী মপান্দা হৌবা উপাম্বীগী মখোঙদা পোখারমই। ইখঙ–খঙহৌদনা লৈবাক অদুগী নিংথৌ মচানুপী রাজ কন্য অমা মখোয়না পোখারিবা পুখ্রি অদুদা ঈশিং শোকপা লাক্লমই। পুখ্রিমপানগী উপালগী মরুমদা পোখারিবা নিংথৌ মচা অদুগী পুক্লিং হুবখক নত্তনা নংহৌররোই মতাগুম লৈমা নিংথৌগী ঈ ওইবগী মতিক ময়াইনা পুন্সি লৈপুন শেম্নবগী পল্লেপ্নখি। মতৌদুদা মন্ত্রি মচা অদুনা কল্লক মীহৌবনা থুমহৎখিদুনা নিংথৌ মচা অদুগী পুন্সিবু তেমশিংনরকখি। মন্ত্রি মচাগী মতৌ অদুদা উপায় লৈতবা নিংথৌ মচা অদুনা অসুম্না হায়জরক্লমই। ফরে অদুদি ঈতাও নঙনা হয়েং ইরৈবাক্তা হনখ্রগা ইপা নিংথৌদা অসুম হায়না খর তম্বিয়ু। ঐগী ইতাওদু থাপ্লবা লৈবাক অমদা নিংথৌ মচানুপী রাজ কৈন্য অমা লৌদুনা নুংঙাইনা পালহৌরি হায়দুনা শোয়দনবা তম্বিয়ু। তম্বিদবা য়াদে। অদুগী ঐগী চৈশু অসিমতংগা ইপা নিংথৌদা শীন্নবিয়ু।

নিংথৌ মচানা হায়জবা পুম্বা মন্ত্রিমচা অদুনা অমত্তা চিত্থদনা পাংথোক্লমই। চৈশু অদু অচম্বা ওইরমদে ৱারোল খড়গ উপরশিখা হায়না থারমই। মন্ত্রি মচাগী ৱারোল পূম্নমক তারবা তুংদা ফনা কুইনা ঙাইরবা ফাওবদা হল্লকমন্দ্রবদুদা। মহাক্লা পাত্র–মন্ত্রি কৌদুনা রাজ দরবার তৌদুনা। মচানুপানা পিরকপা চৈশুদা ইরকপা ৱাহৈ 'খড়গ উপরশিখা'' হায়বা ৱাহৈগী অর্থ হন্দোক্লবা লৈবাক্কি জ্ঞান–লৌশিং মতিক চানা লৈরবা খঙ–হৈরবা কয়ানা ফন হোৎনরবসু মায় পাক্লা অর্থ হন্দোকপা ঙম্নখিদ্রে। মমৈথংদা নিংথৌনা অমুক হন্না মচানা পিরকপা চৈশুগী ৱাহৈগী অর্থ হন্নবা অচৌ–পিশক, লায়র–অনং থিদনা মচাগী চৈশুগী ৱাহৈশিংবু আর্থ হনবা ঙম্লবদি হায়দুনা শগোল পাউচেল্লমই। মমৈথংদা লায়রবা ঙাংগনবা নিপা অমগী মচানিপা অমনা ইরায় লায়না আর্থ অদু হন্দোক্লমই। ইনিংথৌ ইবুংঙো নহাক্কী নচানিপা অসি শিখিবা কুইরে। য়াম্না কুইরে চৈশু অসি মহাক্লা খুৎশিন্নবা খুদক্তা মহাক্তি অদুম্মক শিখ্রবনি। চৈশু অসি পুরক্লিবা মহাক অদুদি চৈশুদা ইরিবা ৱাহৈ অসিগী আর্থ খঙলম্লোই। মরম অদুনা ৱাহৈ অসি মুখত্তনা চৈশু অসি মহারাজগী খুত্তা শিন্নরিবনি। চুম্মীকো লায়রবা নিপামচা। চুম্মী মহারাজ ইবুংঙো। থাজবিদ্রগা চৈশু অসি পুরক্লিবা মীশক অদুদা কুপ্ন–মুন্না হিংবিরো, অদুগা লোয়ননা তশেং–তশেংনা থোকখিবা থৌদোক পুম্বা খঙলগনি। মরমদি থাংশাংগী মথক্তা শন্লাং হায়বনি। মীহাৎতু থাংশাংনা মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে হায়বনি, মহারাজ ইবুংঙো। খঙগনি ঙসিদি মন্ত্রিমচাদু থুনা য়াংনা কোনুংদা কৌখৎলকউ হায়দুনা মনাইশিং থাদুনা কৌহল্লুই।

তিল্লিবা রাজ দরবার ময়াম মমাঙদা নিংথৌনা ৱারম পুম্বা মথং–মথং হংলকপদা থোকখিবা থৌদোক পুম্বা অমত্তা চিত্থদনা খুল্লকই। নিংথৌনা মন্ত্রি মচাদু মী হাৎপগী চৈরাক ফংহনখি। মমৈথংদা লায়বা ঙাংগনবগী মচানিপাদুদা ওনশিন্দুনা নিপামচা নহাক্লা অশুক লুবা ৱাহৈ পন্দিত কয়ানা আর্থ হনবা ঙমদ্রবা ৱাহৈ অসিগী আর্থ নহাক্লা মতৌ করম্না ইরায় লায়না হন্দোক্লিবনো? ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই ঐনা লাইরিক লাইশু তম্লিঁঙৈদা ঐবু পোকপা ইপানা ঐবু ইহৈ–ইশিন হৈনবা হায়দুনা পংঙাংদা ঙাংই। ঙাংমল্লি হায়দুনা শাওনিংদুনা ঐনা ইপাবু হাৎলগে হায়দুনা খুত্তা থাং পায়দুনা থোংজিনমরুমদা লুমদুনা লৈরমই। খঙহৌদনা ইপানা য়ুমদা হনজিল্লকপা শুমাং মতোন্দা লেপ্তুনা ইমাবু কৌরকই। নচানিপা হল্লক্লবরা হংলক্লমই। ইমানা হল্লক্ত্রি হায়না খুম্নম্মী। অদুদগী ইপানা ইচানুপা য়াওদ্রবদি করম হায়না চাগনি–থক্কনি হায়দুনা ওক খোংদুনা কপ্লগা কোনথোংলোমদা অমুক থোকখিদুনা ঐবু থিবা থোকখি। ইপাগী মতৌদুদা ঐ খাংবা ঙমদদুনা লোৎলম্বদগী থোরক্লগা ঐনা তৌগে খনখিবা পুম্বা ইমাদা অমত্তা চিত্থদনা তম্লমই। ইপানা ঐবু থিবা য়াবা থিরুরগা থিবা ফংলক্তুদুনা য়ুমদা হল্লক্লবা মতমদা ইমানা ঐনা তৌখিবা পুম্বা অমত্তা চিত্থদনা তম্লমই। ইপাদা ঐনা তৌখিবা ফত্তবা থবক অদুগী দোষ করম্না কোক্কদগে হায়না হংবদা ইপানা অসুম্না তাকপিরমই। হয়েং নঙনা লুহোংলবা মতুংদা নংগী নুপিনা লেম্বা চাক চহি অমা চাগদবনি। অদু ওইরবদি নঙনা তৌখিবা দোষ কোক্কনি হায়না তাকপিখিবগী মতুং ইন্না ঐনা চাগদবা চাক্লুক অদুদগী ঐগী নুপীনা চাক চখোম অমা লৌরগা অদুদগী লেমহৌবা চাকতু ঐনা চাগদৌরিবনি। অসুম তৌদুনা ইপানা তাকপিবা মতুং ইন্দুনা ননাই ঐনা হেক ঙম্বমখৈ হোৎনজদুনা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙনবা হৈনবা কন্না হোৎনজখি। মদুমক্তনা ঐনা ঙসি ''খড়গ উপর শিখা'' হায়বসিগী ৱাহনথোক, আর্থ হন্দোকচরিবনি। খুদক অদুমক্তদা নিংথৌনা পেল্লদুনা মনা–মথুম চাওনা পিদুনা ইমুং–মনুং নুংঙাই য়াইফনা পানখি। থৌবান্দোং চফুবু কায়নবা য়ৈবরা হায়নবা পাউরৌ তৌনরিবদুনি। মরমদি মমানা মপানা মচাবু হৈশিংসনু হায়দুনা খোইখা লিনখা থাদনা ঙাংলিবনি শক্লিবনি।

হন্দক মবুংনা খর ঙাংই শকই হায়বগীদমক থৌরী য়ান্দুনা শিখিবা পাউ তাবদগী মবুংদুসু থৌরী য়ান্দুনা শিখ্রে হায়না তাখিবা লৈ। হৌজিক্কি মতমগী ঐনা নিংলিবসি তৌদবা য়ারোই, মসিনা চুম্নবনি, ফরবনি হায়বসি শেলফষ্টাইলনি হায়জনিংই। মরমদি ঐনা নিংবা চুম্বা চুমদবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে।

মীৎয়েং অমদা শেলফষ্টাইল হায়বসিদগী, ৱাখলগী লায়না মখল মখা কয়া পোকহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা সুইশাইদ, সুইশাইদ বোম্বর, ইনসরজেন্ট শেলফষ্টাহল লৈবাক নিংবা, শেফষ্টাইল য়ুম্বাল শেলফষ্টালই (রোমান্স) নুংশি–নুংওন অমসুং নুংশি পন্থুং। মমৈদা কদায়দা তারকপগে হায়ববু লৈবাক কাং–খোং চায়বা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা উবা ইফং–ফংদ্রি হায়জনিংই।

ঙাংগনবা ইমুংগী মমা মপানা হায়বা ইল্লকপা মচাদনা অথোই–অহেনগী তাইবংদা ভিক্টোরি ষ্টেন্দা লেপ্পা ফংগদৌরিবনি। ঐগী ফনবদা ইমানা ইপানা ইবুংনা ঙাংই হায়বদুনা থৌরি য়ান্দুনা শিবা তারবদি। মখা তাবা মচা মশু মচলবু য়োক্তুনা লৈমিন্নগনি। ঙাংগনবা মপাগী মচাদুনা অখাং কনবগা লোয়ননা হোৎনবা কনবদগী 'খড়গ উপর শিখা'' হায়বা ৱাহৈগী আর্থ হন্দোকপা ঙম্লিবনি।

নিংথৌগী মচানিপা অদুসু মন্ত্রি মচাদগী হেন্না লাইরিক হৈবা হেনবদগী মাগী খোঙ্গুল পুম্মুৎ–মুৎলমগদৌবদগী কনবা ঙমহৌরিবনি। ইপা নিংথৌ ঐ মন্ত্রি মচানা হাৎতোকপিরবনি হায়না চৈশু অদুদা থারম্লবদি কমদৌনা চৈশুদু মন্ত্রি মচানা নিংথৌদা খুৎশিন্নরমগনি। লংফৈ চখোক্লবদি বিদ্যাগা মরূপ ওইয়ু হায়বা পাউতাক্তু নিংথৌ মচানা শীজিন্নবা নৎত্রা। ৱারি অসি তারম্লবদি করিগুম্বদা মচন্নুপীদু থৌরী য়ান্দুনা শিরমদবসু য়াই। ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্কি মহৈরোইশিংদা কান্নগদ্রা খল্লি।

# লাইরিক্কী মেলাদা সঙাই ফেষ্টিভেলগী মীয়ামদু তিলহনসি

**থৌনাওজম রুহিচান্দ**
**উৎলৌ**

চহি অমদা অমুক্তং পাংথোকপা মীয়ান্না কয়া ফংনদবা লাইরিকশিং লায়না অতাবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনরিবা তাঙনা ফংবা তাঞ্জা ইম্ফাল বুক ফেয়রবু অরেম্বদা মাংহনবসি য়ান্না পাম্মুই। লাইরিক্কী মেলা অসিদা মী ইতিন–তিনখিদবা অসিনা অদুম চাকচরে, মদুদি মণিপুরদা লাইরিক পাবগী ইহৌ অসি য়ান্না নেম্মী, লাইব্রেরীগী কান্নবসু কয়া খঙনদে অদুনা লমদম অসি চাউখৎপগী থাক য়ান্না নেম্মী হায়বা। সঙাই ফেষ্টিবেল অমদি হাওসিদা শেল য়ান্না থাদোক্তুনা মাংহল্লবসু লাইরিক্কী মেলাদগী লাইরিক লৈহৌননবগী শেলদি ইপায় পায়নদে। লমদম অসিদা লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎহন্নবা হোৎনবদা অমদি মীয়ামদা লাইরিক পানিংহন্নবগী ইথিল পীবদা লাইরিককী মেলা পাঙথোকপখক্তনসু য়ারক্লরোই।

স্কুল অমদি কলেজগী মহৈরোইশিং মশা–মশানা লাইরিক পাবা অমদি নৈনবা হৌহন্নবা মতমগা চুনবা লাইব্রেরী কয়া থম্বসু মথৌ য়ান্না তাই। অদুবু মার্ক ৱাংনা ফংলগা লোয়রে খন্দুনা স্কুলগা নিংথিনা কাদবমখৈ ট্যুসন মফম ৪–৫ চেন্নবা হোৎনরিবা মহৈরোইশিংদা লাইব্রেরীগী কান্নবা খঙহন্দুনা লাইরিক মখল–মথেল শুনা পানিংবা পোকহনবা হায়বসি অরাইবা থবক্তি ওইরোই। অদুনা মহৈরোইশিংনা মশিং হেন্না শরুক য়াগদবা লাইরিক্কী মেলাদা চাদ ৮০ দি অহল ওইবশিংনা ওইনা লাইরিক লৈ হায়না হন্দক পাউচে খরদা ফোংনরকখিবদু থোইদোক্লা ঙক্লীংঙাই ওইদব্রা হায়না খল্লি। মেলাদা মী য়ান্না তিনখিদবা অমদি লাইরিক কয়া লৈনখিদবা অসি য়েংলুরগদি মপানগী বুক ফার্মশিং মণিপুরগী লাইরিক মেলাদা অমুক হন্না লাক্লীংঙমগদবা মান্দে। অদুবু মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মথং চহিদসু শোয়দনা লাক্লনবা তোঙান্না শেল খরগা হেন্না পীরমগদ্রা হায়বদি খঙদে। লাক্কদৌরিবা চহিশিংগী ফেয়রশিংদদি অনৌ–অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খত্তুনা ইরমদম অসিগী মীয়াম পুম্বা চাউনা শরুক য়ানন্নবা মরী লৈনবশিংনা শিনবীরক্কনি হায়না খঞ্জে। মসিগা মরী লৈননা ফোংদোকচনিংবা ৱাখল্লোন খরদি চহি খুদিংগী হনজিন হনচিন্না উনবগী মহুত্তা মীরমদগী অনৌ–অনৌবা লাইব্রেরীয়ান কয়া য়াওনা অতোপ–অতোপ্পা শিনফমশিংগী অনৌ–অনৌবা মায়থোং কয়াসু উন্নবগী তাঞ্জা অদু ফংহনবীরবদি মীয়ান্না হেন্না পুক্লিং চঙগদ্রা হায়না খল্লি। নেসনেল বুক ট্রষ্টকী ষ্টোল অমা হাংননবা শিনবীদবা অসিমা য়ান্না লাইবক থিবনি।

মহৈরোইশিংনা হেন্না শরুক য়াহন্নবা, মণিপুরদা লাইব্রেরীগী ঈহৌ হেনগৎহন্ননবা অমদি লাইরিক পাবগী ঈথিল হেনগৎহন্ননবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুমফম ওইবা দিবেট, স্লোগান, এসে রাইটিং, পেন্টিং, লীলা মচানচিংবগী চাংদম্নবা অমদি অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম কয়াসু হাপচিনবা মথৌ তাই। চহি চহিগী ওইনা লাইরিক্কী মেলা পাঙথোকপগী থিমসু মীয়ামদা লাউথোকহঞ্জনিংই। মরিপুরদা লৈরীবা তোঙান–তোঙানবা একাদমিক, স্পিসিয়েষ্টিল অমদি পব্লিক লাইব্রেরীশিংসু মেলা অসিদা চাওনা শরুক য়াহন্ননবগী থৌরাং ওইনা তোঙান–তোঙানবা কাঙলুপকী খ্বায়দগী ফবা লাইব্রেরীগী মনা কয়া চহি খুদিংগী পীবীবা য়াই। খ্বায়দগী ফবা মণিপুরগী বুক পব্লিসরগী মনা অমা শিনবীরবদি লাইরিক ফোংলিবা অমদি পুথোক্লিবশিংগী ঈহৌসু অমুক্কা হেন্না হেনগৎলক্কনি।

অফাওবা ফিল্ম ষ্টারশিং, শৈশকপশিং, লীলাগী মীওইশিং, অইবশিং উন্নবগী থৌরমশিং অসিগী মথক্তা মেত্রিক অমদি টুলেবকী মহৈ চাংয়েংদা মকোক–মথং তাখিবশিং অমদি সিবিল সর্ভিসতা মায় পাকখ্রবা ইরমদমসিগী অতাঙবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারি–ৱাতাই শান্নবগী থৌরমনচিংবা কয়া শিনবীরবদি মহৈরোইশিং অমদি মমা–মপাশিংনা মেলাদা শরুক য়াবগী চাং য়ান্না ৱাংগনি। মণিপুরদা লাইব্রেরীগী ইহৌ সুম–সুম শিথরকপগী মরমশিং অমসুং লাইরিক লৈদবা, লাইরিক পাদবা নৈনদবা খুন্নাই অমা ওইরকপগী মরমশিং পুথোক্তুনা মীয়াম পুন্না নৈনমীন্নবা য়াবা ওপন দিসক্সন্নচিংবা থৌরমশিংসু মেলা তৌরিঙৈ মনুংদা পাঙথোকপা কান্নগনি। লমদম অসিদা লৈরিবা লাইব্রেরিয়ানশিংসু মথৌদা পুক্লিং চঙনিংহন্নবা অমদি লাইব্রেরী ঈহৌ শাগৎপদা মখোয়গী থৌদাং হেনগৎহন্ননবা তোঙান–তোঙানবা থাক্তা খ্বায়দগী ফবা লাইব্রেরীয়ানগী মনাশিং পীবগী থবকসু হৌদোকহঞ্জনিংই। মীয়ামগী পুক্লিং অমুক্কা হেন্না চিংশিন্ননবা মেলা তৌরিঙৈ মনুং অমদি ফজ–ফজবা ঈ–পাউ কয়া রেডিও অমসুং টেলিভিজন্দা য়ান্না তোয়না শন্দোকহঞ্জনিংই। লাইরিক্কী মেলা পাঙথোকপগী কান্নবশিং, লাইরিক পাবগী তঙাইফদবশিং ফজনা নৈনবা ৱারেং কয়া, পাউ কয়া অমদি লাইব্রেরী অমসুং লাইরিক পাবগী ঈহৌ কনখৎহন্নবগী পান্দমদা অখঙ–অহৈ ওঝাশিং, স্কোলরশিং, অমদি অতোপ্পা অইবশিংনা নৈনদুনা ইবা অর্টিকলশিং নুংতিগী পাউচেশিংদা ফোংলবদি ইম্ফাল বুক ফেয়র অসি মালেমগী থাক্কী বুক ফেয়র অমা শোয়দনা ওইরক্কনি অমসুং লমদম অসিদা মহৈ–মশিন মপুং ফানা হৈবা, ইং–তপ্পা, চাউখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি।

# ১৮৯১ হন্না য়েংখৎপদা *(ঙসিগী মৈতৈ ফুরুপকী লীচৎ)*

ইরমদমদা মচিন মনাও লৈমিন্নবদা ৱাকায় ঙাংবনা ইং ১৮৯১গী লীচৎতু শমথবা ৱাগনি। ইং কুমজা ১৮৯১দা লৈরম্বা মণিপুরগী অহানবা ঙমখৈ (বাউন্দরি)দু কায়নবা মরম লৈতে। ঙমখৈ অসি ইং কুমজা ১৫০০দগী লৈরকখিবনি।

ইং কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, মতুংদা, নিংথৌগী চৈরাক অকনবা লৈরম্বা তারবদি, মৈতৈ অমদি চীংমী অনীমক অৱাফম ফংখিবা ঙাকনি। নিংথৌদু মৈতৈ ওইবনিনা মানা পীখিবা অকনবা চৈরাক পূম্বা মৈতৈ মীয়ান্না তৌবনি হায়বা তারবদি মদুদগী হেন্না চুমদবা অমা অঙ্ক ফল তাবা হৈতবা মখোয়গী মকোক্তা কৈদৌনুংদা তারোই। চীংগী ইতিহাস ইবা হৈবা, ঙাংবা হৈবা লুচিংবশিংনা ওইদবা শন্দোক্তুনা মচিন মনাও নুংশিনবা মাংহনবা তারবদি ১৮৯১বু চুম্না নীংশিংবা ওইনা লৌবা ৱাগনি। ইনষ্টিট্যুসন অমগী ফত্তবদু, ইনষ্টিট্যুসন অদু লোইবদা লোইশিনখ্রবনি।

অশোয়বা ৱাখল অমা তোয়না চীনৱা ওইনা চৎলি। নিংথৌমচা মখোয় খরনা ফম্বাল মুন্নবদগী লৈবাক মাংখি হায়বসি খরা খন্থবা চুমই। ফিভম অমা নৎত্রগা অমদা মণিপুরদা বৃটিশনা খমথেংনা খুৎ থিংজিনবা হায়বদুদি মশানা তাজরবনি। লোর্ড লেন্দসদাউনগী নোংপোকলমগী পোলিসিনি। মদুগী শান্নবা (gameplan) মনুংদা, নিংথৌ মচাশিংনা পোরম কাঙলুবগী ৱাতনি। ঙসিসু ক্লবকী, লৈকাইগী সেক্রেটরি ওইবদা ময়াংসু, মৈতৈসু মুন্নরিবদুমক ১৮৯১দা থোকখিবগী ৱাতনি। গান্ধিনা সুভাসচন্দ্র বোসপু তাম্হোকখি, লাল মহাদুর শাস্ত্রীগী পুন্সি ইখম্নবা তাখি, পৃথীবীরাজ চৌহান শিখিবা তাই-পুৱারিদা মসিগী খুদম করি ৱাৎপগে? মদুসু হেন্না ফবা নেসনেল কেরেক্টর লৈরম্লবদিকো হায়না খন্থবসু য়াই। মদু নিংথৌমচা ঙাত্তগী অপাম মীহৌ নত্তে, মীওইবগী অশোনবা লীচৎনি। অকনবা লুপ (ইনষ্টিট্যুসন) লৈরবদা, ফ্যুদেলিজম, শাগৈগী চাউথোকপা (vanity), মোৎত্রবদি হৈনদবা (করপসন তৌদ্রবদি লৈবা হৈতবা) হায়বা ফত্তবা উরিবা লীচৎসি অফবা ফুরুপকী লীচৎনা শেমদোকপা য়াই। কাষ্ট লৈতবা মণিপুরি খুন্নাই ওইবনিনা, অপঙ-অশীং চপ মান্ননা খনজবা খরসু মরৈরি। পাউনা, থাঙ্গাল, টিকেন্দ্রজিৎ চপ মান্ননা ঈরমদমসিগী থৱায় কখোকখিবা অথৌবা (হেরো) ওইরি।

ইং কুমজা ১৮৯১গী ফজবা ফিদম কয়ানা মতমদুগী অপীকপা অশোয়বা খিবিকপু কূপশীন দুনা লাকখি। অচৌবা ফিদমদু কাউথোক্লগা, অপীকপা অশোয়বদু হেন্না চাউথোকহনবা হায়বসি, সাইন্টিফিক ওইদে, লমলোই-চনবশিংবু পেলহন্নবা তৌবা মীনাইগী লীচৎনি– ফুরুপকী লীচৎ নত্তে। ইন্দিয়াদা নীংতম লালহৌ, বেঙ্গলি ফুরুপ্পা মৈ চুদুনা লাকখি, সুরেন্দ্রনাথ বেনর্জিদগীনা লালহৌবা ঔরোবিন্দো ঘোস ফাওবা, বেঙ্গলি ফুরুপ্পা মঙক থাঙ্গৎতুনা ফিদমগী মশক ওইনা মখোয়গী গুরু ওইনা য়েংখিবা কাঙলুপতি ইং কুমজা ১৮৯১গী মৈতৈ অথৌবশিংনি। জে রোইনা মাগী ইতিহাসতা ইবতা নত্তনা ১৮৯১দা বেঙ্গলিদা ফোঙবা চেফোঙ খুদিংদা নুংতিগী কাংদনা ১৮৯১গী মৈতৈ অথৌবশিংদু থাগত্তুনা ইখিদবা চেফোঙ থিবা ৱাগনি। ঔরোবিন্দো ঘোস, বেঙ্গলিগী অনৌবা ইহৌ, মীরোল, ১৮৯১গী পোখোক ওইগনি। নীংতম ইহৌগী ফীবান্দা য়েংবা তারবদি, ময়াংমচাশিংনা হায়নৈ, বেঙ্গলিনা ঙসি খল্লিবদু হিং দুষ্টান্না হয়েং খনগনি। ১৮৯১না হায়রি, মণিপুরনা ঙসি খনখিবদু বেঙ্গলিনা হয়েং খনবা হৌগনি।

*(কর্টেসিঃ মতমগী ঈচেল)*